## জোন্সন আই সী য়ুদা ওক্সিজেন থাজিনখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী কেসতা লাইওং কনশিল্লকপদগী ইন্টেন্সিভ ক্যেরদা থমখিবা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনদা ওক্সিজেন থাজিনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক ভেন্টিলেটরদি শীজিন্নহনখিদে হায়না কেবিনেট মিনিষ্টর মাইকেল গোভনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন কোরোনাভাইরসকী লাইওংশিং কনশিল্লকপদগী লন্দনগী সেন্ট থোমাস হোস্পিটালদা পুখৎখিবা মতুং অহিংগী মতমদা হোস্পিটাল অসিগী আই সী য়ুদা পুশিনখিবদগী মালেমগী লুচিংবা কয়ানা মহাক্কী হকচাংগী ফিভমগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লখিবনি।

## পুং ২৪গী মতম পীখ্রে

চান্দিগর, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সি) :
হৌখিবা মার্চতা দিল্লিগী নিজামুদ্দিনদা পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়ারুরগা পঞ্জাবতা হল্লক্লবা তাব্লিঘি জমাটকী খোঙলোয় ২০ হেনবদা মখোয়গী লৈফমশিং খ্বাইদগী নকপা পুলিস ষ্টেসন্দা পুং ২৪গী মনুংদা রিপোর্ট তৌনবা নৎত্রগা ক্রিমিনেল প্রোসিক্যুসন মায়োক্লনবা পঞ্জাব গভর্নমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা খঙহনখ্রে।

## কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং থুনা কোমথোকপগী মায়োক্তা দব্লিয়ু ঐচ ওনা ৱার্নিং তৌখ্রে




জিনিভা, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সি) :
ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না মালেমগী লৈবাকশিং অমসুং লমদম কয়াদা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক শন্দোরকপা তপথহন্নবগীদমক্তা লৌখৎনরিবা থৌরাংশিং অসি কোমথোক্লবা রিকমেন্দ তৌনিংঙাই লৈতে, তৌইগুম্বসুং লৈবাকশিং অসিনা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং হাথু-হাথু কোমথোক্লোইদবনি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী স্পোক্সমেন অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।


খ্বাইদগী মরু ওইনা চেকশিনগদবশিংগী মনুংদা অমদি লায়না-লাইচৎ অসি অমুক শাথিবা মওং অমদা হঞ্জিলক্তনবগীদমক্তা লৈবাক কয়ানা লৌখৎনরিবা থৌরাংশিং য়াম্না থুনা কোমথোক্তবা অসিনি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী স্পোক্সমেন লিন্দমায়রনা ভর্চ্যুয়ল ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়রিবা ৱাফম অসিদি অনাবা অমনা নাবা খরা ফরক্লে হায়দুনা ফমুংদগী হাথু-হাথু মতম ঙনখৎনা হৌগত্তুনা মহৌশাগী পুন্সি মহিংদা অমুক মায় ওইশিল্লকপা মতমদা মঙোন্দা অমুক হন্না অনাবা হঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা ফিভম হান্নদগী হেন্না লুশিল্লকপগা মান্নে।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা ৱাফম অসি ফোঙদোরক্লিঙৈ চৈরক অসিদা জর্মনিগী রোবার্ট কোক ইন্সটিট্যুট (আর কে আই) ফোর ইনফেক্সস দিজিজেজনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি, লৈবাক অদুদা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেসশিং হন্থরকপগী মওং লৈরে হায়না লাউথোকপা হায়বসি মতম খরা ঙনমনবা য়াই। শিবা অমদি ইনফেক্সনগী মওংদা অহোংবা লাকপা খঙনবগীদমক্তা ঐখোয় নুমিৎ খরনি য়েংবা চংই হায়না আর কে আইগী প্রসিদেন্ট লোথর ৱায়রনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

জর্মনিদা কোরোনাভাইরসকী ইনফেক্সন মশিং ৩,৮৩৪ হেনগত্তুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা ৯৯,২২৫ য়ৌখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অনৌবা কেস মশিং অসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিপোর্ট তৌখিবা ইনফেক্সন মশিং ৩,৬৭৭ তগী হেনখি। অশিবা মশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হান্নদগী ৯২ হেনগৎখি।

## টেস্লানা কার টেক্নোলোজি শীজিন্নরগা ভেন্টিলেটরশিং শারি



সান ফ্রান্সিস্কো, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সি) :
ইলেক্ট্রিক ভেহিকল (ঈ ভি) শারিবা টেস্লানা কম্পনি অসিগী য়ুট্যুব চেনেলদা কম্পনিগী এঞ্জিনিয়রশিংনা টেস্লা মোদেল থ্রীগী পার্টশিংদগী ভেন্টিলেটরশিং শেম-শাবগী ভিদিও অমা থাগৎলক্লে হায়রি।

ভিদিও অদুদা টেস্লাগী এঞ্জিনিয়রশিংনা ভেন্টিলেটর অদুগী ভর্জন অনী উৎখি। অমনা প্রোটোটাইপ মোদেল অমনি মদু কম্পোনেলশিংগা লোয়ননা দেক্স অমদা থম্বা উখি। অতোপ্পা পেকেজ মোদেল অমনা মদু হোস্পিটাল অমনা শীজিন্নরকপা মতমদা করম্বা মওংদা উগদগে হায়বদু উৎখি।

ঐখোয়না য়াম্না মুন্না খঙবা ভেন্টিলেটর ওইনা শীজিন্নরকপদা খুদোংচাগদবা পার্টশিংদমক শীজিন্নবা পাম্মী হায়না টেস্লাগী এঞ্জিনিয়রশিংগী মনুংদা অমনা ফোঙদোকখি।

কম্পনি অসিগী ভেন্টিলেটর শাবদা মোদেল থ্রীগী ইনফোটেমেন্ট স্ক্রিন, কম্পুটর য়াওনা কম্পনি অসিগী কারশিংগী কম্পোনেন্ট কয়া অমদি মোদেল এসকী সস্পেন্সন সিষ্টেমদা শীজিন্নবা পার্ট অমসু শীজিন্নরি। টেস্লাদা নত্তনা ফোর্দনসু জি ঈগা খুৎশম্নরগা ভেন্টিলেটর হেন্না পুথোক্লবা থবক তৌবদা নত্তনা মশাগী ওইবা রিসোর্সশিং শীজিন্নদুনা ভেন্টশিং, রেস্পিরেটরশিং অমসুং ফেস সীল্ডশিং শাবগী থবকসু চথুরি।

## ইস্লামাবাদতা লোকদাওন মখা তানা নুমিৎ ৮নি শাংথখিগনি



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সি) :
পাকিস্তানগী কেপিটেল ইস্লামাবাদতা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট ৮২ য়ৌখিবগা লোয়ননা সিটি অসিদা থল্লকখিবা লোকদাওন মখা তানা নুমিৎ ৮নি অমগসু শাংদোকখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

দোন ন্যুজকী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা সিটি অসিদা কোরোনাভাইরস কেস ৭ দিটেক্ট তৌদুনা সিটি অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৮২ য়ৌখি। ইস্লামাবাদকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর মোহমদ হমজা সফকটনা দোন ন্যুজদা হায়খি মদুদি, এপ্রিল ১৪ ফাওবা লোকদাওন শাংদোকপগী ৱারেপ অসি ফেদরেল গভর্নমেন্টনা পীরকপা গাইদলাইনশিংগী মখাদা চেকশিন-থৌরাং অমা ওইনা লৌখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা পাকিস্তান্দা পুন্না কোরোনাভাইরস কেস ৩,৮৬৪ রেকোর্দ তৌখি অমসুং ভাইরস অসিনা শিহনবা মী মশিং ৫৪ য়ৌখি। পঞ্জাব প্রোভিন্সনা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা ১,৯১৮ য়ৌখি অমসুং অনীশুবা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা ওইনা সীন্দ প্রোভিন্সকীনা কেস ৯৩২ রেজিষ্টর তৌখি।

অমরোমদা, বাংলাদেশতা কোভিদ-১৯গী কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসন লাকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক মরক্তা মোস্কশিং য়াওনা লাইনিং-লাইশোনগী মফমশিংদা লাই খুরুম্নবগীদমক্তা মী য়াম্না পুনবদা অথিংবা থম্লে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বি দি ন্যুজ ২৪ না নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা গভর্নমেন্ট নোটিস অমা পল্লদুনা হায়খি মদুদি, মোস্কশিংদা লাই খুরুম্নবগীদমক্তা মী ৫ দগী হেন্না পুনবা য়ারোই। মোস্কশিং অমদি অতে লাই খুরুমফমশিংদা মী চঙবদা য়ারিবমখৈ অথিংবা থম্নবা মায়কৈ কয়াদগী আপিল তৌনরকখিবগী পাউখুম ওইনা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

ৱারেপ অসি বাংলাদেশতা নোভেল কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং নোংমখক্কী রেকোর্দ ওইনা ৩৫ রোকোর্দ তৌখিবা মতুংদা লৌখিবনি। অনৌবা কেস ৩৫ অসি থারগা লৈবাক অসিগী পোজিটিভ কেস ১২৩ শুরে অমসুং শিখিবা মী মশিংনা ১২ শুখ্রে।

## বাংলাদেশকী ফাওন্দর সৈখ মজিবুর রহমন হাৎপগী মরালদা কনভিক্ট তৌখিবা মীশক ফারে

ধকা, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সি) :
বাংলাদেশকী ফাদর ওফ দ নেসন হায়রগসু খঙনবা লৈবাক অসিবু হৌদোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা লিদর ওইরিবা লৈবাক অসিগী অহানবা প্রসিদেন্ট সৈখ মজিবুর রহমন হাৎপগী মরালদা কনভিক্ট তৌখিবা মীওই অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বাংলাদেশ পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

মীওই অদুবু ফারিবদু কনফর্ম তৌরদুনা লো মিনিষ্টর অনীসুল হকনা ইফে ন্যুজদা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০০৯ দা কনভিক্ট তৌবগা লোয়ননা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা মফম তারবা আর্মি কেপ্টেন অব্দুল মজেদ ধকাদা ফারে। মুজিবপু হাৎখিবা মীচেন ওইরবা মীওই তরুক থিনবগী পান্দমগা লোয়ননা শেমখিবা স্পেসল টাস্ক ফোর্স অমা লুচিংলিবা হকনা মখা তাবা অকুপ্পা মরোলশিংদি ফোঙদোকখিদে।

কুমজা ১৯৭৫ দা পাঙথোকখিবা মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা শিবগী চৈরাক পীখিবা মিলিটরি পর্সনেল ১২গী মনুংদা ৫দি কুমজা ২০১০ গী জন্যুৱারি ২৭ তা হাৎখ্রবনি। চহী অদুগী মমাংগী চহীদা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মচানুপী হৌজিক্লা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা সৈখ হসিনা অনীশুবা টার্ম অমগী ওইনা অমুক হন্না পৱার পায়খিবনি।

একুজশিং অদুগী মনুংদগী অমা কুমজা ২০০১ জিম্বাবৱেদা শিখি অমসুং অতে তরুক্লা মশা য়াওদনা কনভিক্ট তৌবগা লোয়ননা মীচেনশিং ওইরে হায়না লাউথোকখি। লৌতুনবদা মকোক চিংখি হায়না মরাল শীখ্রবা লেফটনেন্ট কর্নেল সয়েদ ফরুক রহমন য়াওনা মীহাৎপা ৫ চহী ৩৫ রোমগী মমাংদা ওথোরিটিশিংনা হাৎখি।

আর্মিগী কু অমদা ইমুংগী অতে মীওই কয়াগা লোয়ননা হাৎখিবা মুজিবকী মায়োক্তা শাথিরবা ক্রাইম অদু চথখিবা মতুংদা ফাবা-পুনবা অমদি হাৎপগী থবকশিং অসি চথখিবনি। মিলিটরিনা শৌগৎপা জনতানা অমদি মতুংদা লাকখিবা গভর্নমেন্টশিংনা মুজিব অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং হাৎখিবা মীওইশিং অদুবু কনবিখি। অদুমওইনমক মুজিবপু হাৎখিবা মতমদা মপান্দা লৈখিবা মহাক্কী মচানুপী হসিনা কুমজা ১৯৯৬ তা অৱামি লিগকী লিদর ওইনা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর খনখিবগা লোয়ননা মহাক্লা একুজশিংগী জুদিসল প্রোসেস অমা চথহনবা হৌখিবনি।



## কর্ণাতাকাদা কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লম্বা য়াবা দ্রগ প্লান্ট ১ থিংজিনখ্রে



মহিসুরু, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সি) :
মহিসুরুগা নক্লবা নঞ্জাগুদতা লৈবা দ্রগ শাবা প্লান্ট অমা ওইরিবা ফর্মা মেজর জুবিলেন্ট লাইফ সাইন্সেস চাইনাদগী পুরকখিবা রো মেটরেলশিং য়াওবা কন্টেনর অমদগী কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী থিংজিনখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা মার্চতা চাইনাদগী কন্টেনর অমা পুরকখিবা প্লান্ট অদুগী ইমপ্লোয় খরা চাংয়েংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী ঐখোয়না প্লান্ট অদুবু মপুং ফানা থিংজিনবগা লোয়ননা মদুগী প্রিমিসেস সীল্ড তৌশিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে হায়না মহিসুরুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অভিরাম জি সঙ্করনা মহিসুরুদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

নঞ্জানগুদ হায়রিবা মফম অসি মহিসুরুদগী কিলোমিটর ৩০ রোম লাপ্পা অমসুং বেঙ্গলুরু সিটিগী খা নোংচুপ্লোমদা কিলোমিটর ১৮০ রোম লাপ্পা লৈ। ঐখোয়না প্লান্ট অদুগী ষ্টাফ অমদি মখোয়গী ইমুংশিং টাউন অদুদা লৈরিবা মখোয়গী য়ুমশিংদা ক্বারন্টিন তৌখ্রে অমসুং ভাইরসনা শোকহল্লবা পেসেন্টশিং অদুনা মহিসুরুদা লৈবা দেজিগনেটেদ হোস্পিটাল অমদা লায়েং চথুরি হায়না সঙ্করনা মখা তাখি।

এজেন্সিদা থারকখিবা ঈমেল অমদা নোইদাদা বেজ তৌবা ফার্মা কম্পনি অসিনা হায়খি মদুদি, প্লান্ট অসিগী ওপরেসন অসি হৌখিবা চয়োলদা লেপহনখ্রে অমসুং মদু থবক তৌরিবা মীওই পুম্নমক্লা মরন্নাই ক্বারন্টিন তৌহন্দুনা লৈহনখ্রে। কন্টেনর অদুগী সর্ফেস মেটরেলদা ভাইরস পল্লি নৎত্রগা পক্তে হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক্তা পোৎশক অদু ফোরেন্সিক চাংয়েং চথনবগীদমক থাখ্রে। ফার্মাস্যুটিকেলগী মচাক-মথুমশিং হাপ্পা কন্টেনর অদু কোভিদকী লাইচৎ কনখিবা চাইনাদগী পুরকখিবনি হায়না সঙ্করনা ফোঙদোকখি।

## কোভিদ-১৯না নাবদগী ইন্দিয়াদগী হৌখিবা সর্জন ১ য়ু কেদা লৈখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সি) :
মথৌদা অদুক্কী মতিক কখোল্লবা মীশক্লি হায়না লৌনবা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা সর্জন অমা কোভিদ-১৯গী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবা মতুংদা য়ু কেদা লৈখিদ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

জিতেন্দ্রা রাথোদ কৌবা ইন্দিয়ন ওরিজন সর্জন অদু কর্দিফতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটাল ওফ ৱেলসতা কার্দিয়ো-থোরাসিক সর্জরিগী এসোসিয়েট স্পেসেলিষ্ট অমনি হায়না লন্দনদা ফোঙবা মেট্রো পাউচেগী রিপোর্টনা হায়খি।

মহাক্লা লৈখিদবগী মতাংদা কনফর্ম তৌরদুনা লন্দনদা হেল্থ ওফিসলশিং হায়খি মদুদি, মহাক হোস্পিটাল অদুগী জেনরেল ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটতা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা লৈখিদবনি। কার্দিফ অমসুং ভেল য়ুনিভর্সিটি হেল্থ বোর্দকী ৱেবসাইটতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা রাথোদকী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্লা তৌখিবা থবক কয়া শীংথাখি।

মহাক অদুক্কী মতিক মথৌদা কখোকখিবা অমসুং মশাগী পেসেন্টশিংবু য়াম্না চেকশিন্না শেন্নখিবা সর্জননি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি মদুদি, মহাক মীপুম খুদিংমক্লা পাম্নখিবগা লোয়ননা ইকাই খুম্নখি। মহাক মীনুংশি য়াম্না চাওবা ঙক্লিংঙাই ওইরবা মীশক অমনি। মহাক্লা মথৌদা কখোকচবগী থৌওং অসি মহাক্কী শিনফম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা তমজনিংঙাই ওই। অঙাং অনীগী মপা ওইরবা মীশক অসি কুমজা ১৯৯৪/৯৫দগী কার্দিও থোরাসিক সর্জরি দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরকখিবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

সর্জন অসি মপান্দা মতম খরা লৈরুরবা মতুং ৱেলসকী য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালদা অমুক হল্লকখিবনি। য়ু কেদা হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরস কেস ৫২,২৭৯ রিপোর্টে তৌখিবগা লোয়ননা ভাইরস অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩৮৫ য়ৌরবনি।

## দিল্লিগী মর্কজকী মতাংদা ইনক্বারি তৌনবা রাজস্থানগী সী এমনা তকশিনখ্রে




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সি) :
অথিংবগী ওর্দর লৈন-লৈনা দিল্লিগী মরু ওইবা মফম অমদা অচৌবা মীফম অমা পাঙথোকখিবগী ৱাথোক্তা মরু ওইনা চেন্নরিবা দিল্লিগী মর্কজকী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী সিটিং জজ অমবু নৎত্রগা থবক্তগী পোত্থারবা জজ অমবু ইনক্বাইরি তৌহন্নবা রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অশোক গেলোটনা দিম্মান্দ তৌখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা গেলোটনা হায়খি, কনানা লানখিবগে হায়বগী মতাংদা অচুম্বা পুথোক্লবগীদমক্তা সুপ্রিম কোর্টগী সিটিং জজ নৎত্রগা থবক্তগী পোত্থারবা জজ অমনা ইনক্বাইরি কন্দক তৌগদবনি। শাথিরবা লায়না কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা ইন্দিয়ন খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা লীংজেল মান্ননা শরুক য়াবনা ইশ্যু অসিনা কাঙলুপ নাইবগী ৱাথোকশিং লাকহল্লোইদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা গভর্নমেন্টপু চৈ থাংলদুনা গেলোটনা হায়খি মদুদি, ইশ্যু অসি রাহুল গান্ধিনা ফেব্র্যুৱারি ১২ দা হৌদোকখি অমসুং করিগুম্বা গভর্নমেন্টনা মপান্দগী ইন্দিয়াদা লাকপা মীওইশিং লৈবাক অসিদা চঙহল্লমদবা তারবদি নৎত্রগা মখোয়বু লৈবাক অসিগী এয়রপোর্টশিংদা নীংথিনা স্ক্রিনিং তৌরম্বা ওইরবদি ভাইরস অসি অশুক য়াম্না শন্দোক্লমদবসু য়াই। ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা দিল্লিদগী লিঙ্ক তৌরকখিবা কোংগ্রেসকী স্পোক্সপর্সন রন্দিপ সুর্জেৱালানা ইশ্যু অসিদা চেন্নবশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা প্রোসিন্দিং চথগদবনি হায়খি। নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবালনা অহিং নোংয়াই মতুং পুং ২ তাবদা মর্কজদা চত্তুনা মৌলানা সাদকা ৱারী শান্নখিবগুম্বা ৱাফম কয়াগী মতাংদা চিংনবা কোক্লবগীদমক্তা পীগদবা পাউখুম কয়া লৈরি। দোবালনা নুমিত্তুদা মৌলানাগা করি ৱারী শান্নখিবগে হায়বদু শেংনা ফোঙদোক্কদবনি হায়না সর্জেৱালানা ফোঙদোকখি।

## মীয়ামগী পুন্সিনা হেন্না মরু ওইবনা লোকদাওন শাংদোকহনবা য়াই



ভুপাল, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সি) :
মধ্য প্রদেশতা লোকদাওনগী মতম মখা শাংদোকহনবা য়াবগী ফিভম লৈ অমসুং কোভিদ-১৯গী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি মুন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা হীরম অসিগী মতাং ৱারেপ অমা লৌগনি হায়না মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহান্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লোকদাওন মখা তানা ষ্টেট অদুদা শাংদোকহনবা থৌরাং তৌবা লৈব্রা হায়না হংবদা ভিদিও ষ্টেটমেন্ট অমগী খুথাংদা পীখিবা পাউখুমদা চৌহান্না হায়খি, মীয়ামগী পুন্সিনা পুম্নমক্তগী হেন্না মরু ওই। হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎকী ফিভম মুন্না নৈনরবা মতুংদা ৱারেপ অমা লৌরগনি। ঐখোয়গী লোকদাওনগী অৱাবা খাঙগনি অমসুং মতুং তারকপদা শেল-থুমগী হীরমশিংসু য়েংশিনগনি। তৌইগুম্বসুং মীওই কয়া শিবা তারবদি ঐখোয়না মখোয়বু অমুক হন্না হিংগৎহনবা ঙম্লোই হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ভুপাল অমসুং ইন্দোরদা হৌজিক লৈরিবা ফিভমদা য়েংলগা ঐখোয়না মখা তানা মীৎকুপ-নাহুম শিংবগা লৈবগা লোয়ননা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়বসি খঙবা ঙম্মী হায়নসু চৌহান্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইন্দিয়াগী কোভিদ পেসেন্ট মশিং ৪,৪২১ য়ৌখি অমসুং লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিংনা ১১৪ য়ৌখি।

চৈরকসিদা, য়ু পিদা হিন্দু মহাসভাগী নেসনল সেক্রেটরি পুজা সকুন পান্দে তাব্লিঘি জমাটকা মরী লৈননা তাবদা নুংঙাইতবা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লুবগীদমক অলিগর পুলিসনা ফাগৎখ্রে। মহাসভাগী লিদর অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা পীবা লেটর অমদা তাব্লিঘি জমাটকী মেম্বরশিংবু নোংমৈনা কাপ্পবগী ওর্দর থোক্লবা তকশিনখি হায়রি।